# গ্লোবেল সাউথকীদমক রিলিফ পেকেজ লাংননবা য়ুএন চীফ গুটরেজনা জি ২০ লৈবাকশিংদা আপিল তৌখ্রে

যুএন, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

মালেমগী মফম কয়াদা লাইরবা অমসুং চাবা ফঙদবগী ফিভম লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা যুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা ইন্দিয়ানা লুচিংবা জি-২০ গী লৈবাকশিংদা যুএনগী চাওখৎ থৌরাংগী পান্দমশিং ফঙহনবদা মতেং ওইননবা গ্লোবেল সাউথকী লৈবাকশিংদা ইনভেষ্টমেন্ট অমদি শেন্দোং কোকহন্নবগী থৌরাংশিং ওফর তৌবা পেকেজ অমা লাংননবা তকশিনখ্রে।



চহী অসিগী ওইবা মহাক্কী প্রাইওরিটিশিংগী মতাংদা পীবা ব্রিফিং অমগী মনুংদা 'ন্যু এজেন্দা ফোর পিছ' কী প্রপোজেল অমা খঙহল্লদুনা গুটরেজনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা জেনরেল এসেমব্লিদা হায়খি, মদুদি যুএনগী সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস (এস দি জি) কী সম্মিটকী মতম সেপ্টেম্বরদা ঐহাক্না জি ২০ দা গ্লোবেল এস দি জি ষ্টিমুলসকী ৱাফম অসিবু য়াননবা তকশিল্লি।

অসিগুম্বা এস দি জিগী ষ্টিমুলস অসি গ্লোবেল সাউথকী লৈবাকশিংদা সপোর্ট পীনবগী পান্দমগা লোয়ননা হৌখিবা নবেম্বরগী জি ২০ সম্মিটতা ঐহাক্না প্রপোজ তৌখিবনি।

যুএন চীফকী অনৌবা এজেন্দা প্রপোজেলশিং অদুদা ন্যুক্লিয়র লান থিংবা, ইকনোমিক ইনফ্রা ষ্ট্রকচরগী রিফোর্মশিং, অনৌবা টেক্নোলোজি অমসুং সোসল মেদিয়ানচিংবা মখল মখা কয়াগী ইস্যুশিং য়াওরি।

গুটরেজনা মহাক্কী ৱারোলদা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা লাক্কদৌরিবা চেলেঞ্জশিংনা মরম ওইদুনা মালেমগী ফিভম থোইদোক হেন্দোক্লা অৱা অনা কয়া য়াওরকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। লান, শেল থুমগী থোং মান্নদবা ফিভমশিং, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংগী জিও পোলিটিকেলগী খেন্নবশিংনচিংবা চেলেঞ্জ কয়া ঐখোয়না মায়োক্নরক্কদৌরি হায়না গুটরেজনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী খ্বাইদগী শাথিবা ৱার্নিংদি মীওইবা খুন্নাইনা ন্যুক্লিয়র লান অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা মায়োক্নরক্লিবা অসিনি হায়রদুনা এটোমিক সাইন্টিষ্টশিংগী বুলেটিনগী ওইবা দুমসদে ক্লোর্কনা ন্যুক্লিয়র হোলোকোস অমা থোক্লকপা য়াবগী ৱাফম অসি মাঙজৌননা হান্না ফোঙদোক্লখিবগুম চুম্লকপা য়াবগী ফিভম কয়া উরক্লিবসি নুংনাংনিংঙাইনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐখোয় হৌজিক চহী কয়ামুক্কী মনুংদা ন্যুক্লিয়র লান অমা থোক্লকপা য়াবগী খ্বাইদগী ৱাংবা রিস্ক মায়োক্নরি। ন্যুক্লিয়র লান হায়বসি এক্সিদেন্টদগী নত্রগা মালেমগী মফম কয়াদা পৈদুনা থম্লিবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় ১৩,০০০ গী দিজ াইনদগী থোক্লকপা য়াই হায়খি।

যুএন চীফনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা লৈবাকশিংনা অসিগুম্বা শাথিরবা মীওইবা খুন্নাইবু পুমতুম তুমহনবা ঙম্বা খুৎলায়শিং অসিবু হান্না শীজিন্নবগী ৱাখল থাদোক্ল গদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনদি ন্যুক্লিয়র খুৎলায় ইহান হান্না শীজিন্নবা ওইরোই হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়াগা মান্ননা চাইনানসু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় হান্না শীজিন্নরোই হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং এটোমিক খুৎলায়শিং লৈরবা অতৈ লৈবাক কয়াগী অসিগুম্বা খুৎলায় হান্না শীজিন্নদবগী পোলিসি অসি চৎনহল্লে হায়রকপা লৈত্রি।

গুটরেজনা অনৌবা টেক্নোলোজিশিংনা থোকহল্লকপা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম কয়াগী মতাংদসু পুন্ন মক্কী মীৎয়েং চিংশিনখি। অনৌবা এজেন্দাদা সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা সাইবর এটেকশিং চথবা য়াহন্দনবগী মালেমগী ওইবা কাংলোনশিং অমদি মী শিহনবা য়াবা ওটোনোমস খুৎলায় সিষ্টেমশিং হায়বদি রোবোটশিং অমসুং দ্রোনশিং শীজিন্নবগী মতাংদা মালেমগী ওইনা পনখৈ লৈহনবগী এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুহা হাবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইস্লামিক ষ্টেট টেররিষ্টশিং থম্লিবা সিরিয়াগী জেলদগী ইনমেট ২০ নাম্থোকখ্রে

দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা য়ুহা কন্না হাখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেররিষ্টশিং থম্লিবা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপতা লৈবা জেল অমদগী য়ামদ্রবদা প্রিজনর ২০ নাম্থোকখ্রে হায়রি।



থৌদোক অদুগী মতাংদা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, টর্কিজ বোর্দরগা নক্লবা রাজো টাউনদা লৈবা মিলিটরি পুলিস প্রিজন অদুদা ইনমেট ২০০০ লোম লৈরিবনি। ইনমেটশিং অদুগী মনুংদা ১৩০০ লোমদি আই এস ফাইটরশিংনি। টর্কি অমসুং সিরিয়াদা থোকখিবা মেগ্নিট্যুট ৭.৮ ফাওবা য়ৌখিবা শাথিরবা য়ুহা অদুগী মতুংদা লমদম অদুদা আফটর সোক কয়াসু থোকখিবগা লোয়ননা প্রিজন অদুগী ৱালশিং অমসুং থোংশিং চেকখায়খি অমদি মচি মচিদা নিংখায়বা ফাওবা থোকখি।

রাজো জেলগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা য়ুহা কন্না হারক্লবা মতুংদা রাজো টাউন পুম্বা নিকখিবগা লোয়ননা জেল অদুগী ইনমেটশিং ইরাং হৌবা হৌরকখি অমসুং মখোয়না জেল অদুগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌশিনখি।

রাজোগী জেলগী থৌদোক অসি হৌখিবা দিসেম্বরদা আই এসনা মখোয়গী হান্নগী সিরিয়াগী দিফেক্টো কেপিটেল রাকাদা লৈবা সেক্যুরিটি কমপ্লেক্স অমদা এটেক তৌখিবা মতুংদা থোক্লক্লিবনি। এটেক অদুগী পান্দমদি মফম অদুদা লৈবা জেল অমদগী মখোয়গী অতৈ জিহাদিশিংবু থাদোকহনবনি।

টর্কি অমসুং সিরিয়াগী য়ুহাশিং অদুদা শিখিবা মী মশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৫০০০ রোম য়ৌখি। অহেনবা মীওই ১৪,৪৮৩ অশোক অপন নঙখি।

রেস্কু্য ওপরেসনশিং চথুদুনা বিল্ডিংগী অকায় অতোইশিংগী মরক্তগী হিংহৌবা মীওইশিং লৌথোক্লবা থবক লেপ্তুনা চথুরি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা মেগ্নিট্যুট ৭.৮, ৭.৬ অমসুং ৬.০ য়ৌবা য়ুহা অহুম পরিং নাইনা থোক্লকখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং লিশিং কয়া নিংখায়খিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মেগ্নিট্যুট ৫.৯ গী য়ুহা অমনা সেন্ট্রেল টর্কিবু নিকহনখি। টর্কি খক্তদা শাথিরবা য়ুহাশিং অদুনা বিল্ডিং ৫৬০০ হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখি।

সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদনা বিল্ডিং ২২৪ গী মথক্তা অমাঙ অতা থোকখি।

## মাইগ্রেন্ট ১৩১ লিবিয়াগী সমুদ্র মপানদগী রেস্কু্য তৌখ্রে

ট্রিপোলি, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

হৌখিবা চয়োল অমগী মতমদা মাইগ্রেন্ট ১৩১ রেস্কু্য তৌদুনা লিবিয়াদা অমুক হল্লকখি হায়না ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আই ও এম) না ফোঙদোকখ্রে।

আই ও এমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ২৯ দগী ফেব্রুৱারী ৪ ফাওবগী মনুংদা মাইগ্রেন্ট ১৩১ ইন্টরসেপ্ট তৌখি অমসুং মখোয়বু লিবিয়াদা অমুক হলহনখি।

রেস্কু্য তৌখিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুগী মনুংদা নুপী ২৩ অমসুং অঙাং ১০ য়াওখি। চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মাইগ্রেন্ট ১৬৫ রেস্কু্য তৌদুনা লিভিয়াদা অমুক হলহনখি হায়না আই ও এমনা হায়রি।

আই ও এমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ দা পুন্না মাইগ্রেন্ট ২৪,৬৮৪ রেস্কু্য তৌদুনা লিভিয়াদা হলহনখি। সেন্ট্রেল মেদিটরিনিয়ন রুট শীজিন্নদুনা মেনলেন্দ য়ুরোপতা চঙনবা হোৎনখিবা মাইগ্রেন্ট ৫২৯ শিখি অমসুং অতৈ মাইগ্রেন্ট ৮৪৮ না থীবা ফঙখিদে।

কুমজা ২০২১ দা লিভিয়াগী দিক্টেটর মোহমদ দগাফিগী রেজিম তুখিবদগী লৈবাক অসিদা লাকখিবা কাংখোং চাইবা অমসুং ইন সেক্যুরিটিগী ফিভম্না মরম ওইদুনা অয়াম্বনা অফ্রিকনশিং ওইবা মাইগ্রেন্ট কয়ানা লিভিয়া ফাওরগা মেদিটরিনিয়ন সীগী রুট শীজিন্নদুনা য়ুরোপকী সমুদ্র মপানশিং য়ৌননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

রেস্কু্য তৌখিবা মাইগ্রেন্ট অয়াম্বা মহৌশানা লিভিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা মী কা হেন্না চিল্লবা রিসেপ্সন সেন্টরশিংদা থমজিল্লি। অদুগুম্বা মী কা হেন্না চিল্লবা লৈফম চাফমগী খুদোং চা হেন্না চাদ্রবা ফেসিলিটিশিং অদু থিংজিন্নবা অমসুং মাইগ্রেন্টশিংবু থাদোক্লবা মালেম পুম্বনা হঞ্জিন হঞ্জিন তকশিল্লবসু লিভিয়াদা মখা তানা রিসেপ্সন সেন্টরশিং থমদুনা লাক্লি।

# 'লিবরেসন ৱারদা মায়থীবা নঙখ্রবা ফোর্সশিংনা লাইশঙশিংদা এটেক তৌখিবনি'

ধাকা, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

বাংলাদেশতা লৈরিবা হিন্দুশিংগী লাইশঙশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না এটেক তৌখিবা অসি লিবরেসন ৱারদা মায়থীবা নঙখ্রবা ফোর্সশিংননি হায়না লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টর অজা দুজামনি খান কমলনা ক্লেম তৌখ্রে।



মহাক্না হায়খি, মদুদি লাইনিং লাইশোন পুন্নমক্কী মীওইশিং লৈবাক অসিদা চপ মান্নবা রাইটশিং লৈ। তৌইগুম্বসুং লিবরেসন ৱারদা মায়থীবা নঙখ্রবা ফোর্সশিং হৌজিকসু মখোয়গী খোঙফম হন্দোক্তনা লৈরি। মখা তানা মখোয় এক্তিব ওইদনা লৈ। মখোয়না লিবরেসন ৱারগী স্পিৃট মাঙহনবা পাম্মী।

লোগী মায়োক্তা থবক তৌবা লমহেন তুহেনবা মীওই খরনা বাংলাদেশকী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা হিন্দুগী লাইশঙ ১২ গী লাইগী মীতম ১৪ অহিংগী মতমদা থুগায়খিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না চহী ২১ পৱার পায়দনা লৈখি। হায়রিবা চহী ২১ গী মতম অদুদা ঐখোয়গী ভেল্যুশিং মাঙখি অমদি পুৱারী ফাওবা পুমঙন ওন্থোকখি। ঐখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টরনা খুদিংমক অমুক হন্না মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহনখি। ঐখোয়না লৈবাক অসিবু কাঙলূপকী খেন্নবা লৈহন্দবা লৈবাক অমা ওইহনবা পাম্মী। লৈবাক অসিদা মীপুম খুদিংমক লৈবা, মহৈ তম্বা অমসুং হকশেংগী মতাংদা মান্নবা রাইটশিং লৈ।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা হিন্দুশিংগী লাইশঙশিংদা পরিং নাইনা এটেক কয়া চথুরকখিবা অসি তোঙান তোঙানবা লাইনিং কাঙলূপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ফিভম থুগায়নবা হোৎনরকপনি। হোম মিনিষ্টর ওইনা ঐহাক্না পুলিস ফোর্সতা মরাল লৈবশিং মশক খঙদোক্লগা তৌফম থোকপশিং তৌনবা খঙহনখ্রে।

# স্বিদেননা অহানবা লাইক ওপরেসনদা পেট্রিওট এয়র দিফেন্স সিষ্টেম দিপ্লোই তৌখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

স্বিদিস আর্মদ ফোর্সেসনা লৈবাক অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি বোথেনবর্গতা পেট্রিওট এয়র দিফেন্স সিষ্টেম দিপ্লোই তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে।



নিংথৌকাবা নুমিত্তা আপতোন ব্লাদেদ পাউচেনা ফোঙখিবা রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, সিষ্টেম অদুবু স্বিদেনদা লাইক ওপরেসন অমদা দিপ্লোই তৌরিবসি কুমজা ২০২১ দা দেলিভর তৌখিবগী অহানবনি।

স্বিদিস আর্মদ ফোর্সেসকী প্রেসকী হেদ থেরেসা ফাগরষ্টেটনা পাউচে অসিদা হায়খি, মদুদি বোথেনবর্গতা চথুরিবা ওপরেসন অদু ট্রেনিং এক্সর্সাইজ অমা নত্তে। ট্রান্সপোর্টশিংগী চঙফম ওইবনা মরম ওইদুনা বোথেনবর্গ পোর্ট লৈরিবা নোংচুপথংবা সমুদ্র খোঙবান ষ্ট্রেটেজিক্কী মীৎয়েংদা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনৈ।

মরম অদুনা হোষ্টাইল ওইবা ফোর্সশিংনা এটেক তৌরকপদগী লৈবাক অসিবু প্রোটেক্ট তৌনবা সিষ্টেম অসিবু শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

পাউচে অদুগী রিপোর্টনা স্বিদেজ আর্মদ ফোর্সেসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, স্বিদেনদা শাথিরবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরকপা য়াবগী রিস্ক নেল্লবসু অসিগুম্বা এটেক অমত্তা চথরক্লোই হায়বদি য়াদে।

দিফেন্স মিনিষ্টর পাল জে ান্সননা পাউচে অদুদা হায়খি, মদুদি ওপরেসন অদু খুদক্তা কিহল্লকপা অমত্তগা মরী লৈনদে। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা মতম অসিদা স্বিদেনগী পোলিসিগী ফিভম খরা শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা স্বিদেস আর্মদ ফোর্সেসনা অসিগুম্বা ওপরেসনশিং পাঙথোকপা হায়বসি মরু ওইরক্লিবনি।

পেট্রিওট অসি হৌজিক হৌজিক লৈবাক অমসুং রিজন ১৭ না শীজিন্নরিবা সর্ফেস-২-এয়র মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমনি হায়না খুৎলায় অসিবু শারিবা যুএস দিফেন্স কন্ট্রেক্টর রেথিওননা হায়রি।

স্বিদেননা দোল্লর বিলিয়ন ৩.২ ফাওবগী ভেল্যু ওইগদবা চাংদা সিষ্টেম অসিবু লৈনবা হায়রকখিবদা কুমজা ২০১৮ দা যুএস এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়াখি। হৌজিক স্বিদেনগী পেট্রিওট সিষ্টেম মরি লৈ। তৌইগুম্বসুং মিসাইল মশিং চপ চানা খঙহন্দনা থম্লি।

# য়ুরোপিয়ন ষ্টেটশিংনা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা রেস্কু্য টিমশিং থাখ্রে

রোম, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

টর্কি অমসুং সিরিয়াদা য়ুহা কন্না হাদুনা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং মরিগী মথক্তা শিখ্রবা মতুংদা য়ুরোপিয়ন মেম্বর ষ্টেট তরানা লৈবাক অনী অসিদা ছর্স অমসুং রেস্কু্য টিমশিং থাখ্রে।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা বুলগেরিয়া, ক্রোএসিয়া, চেক রিপব্লিক, ফ্রান্স, গ্রিস, হঙ্গেরি, ইটারি, নেদরলেন্স, পোলেন অমসুং রোমানিয়াগী টিমশিং শাথিরবা য়ুহাশিং অদুনা শোকহনখ্রবা মফমশিং অদুদা থাখ্রে।

ইয়ুগী ক্রাইসিস মেনেজমেন্টগী কম্মিস্নার জানেস লেনার্সিসনা হায়খি, মদুদি বিল্ডিংশিংগী অকায় অতোই মরক্তা য়াম্লবা মীওইশিং হৌজিকসু ফুমজিন্দুনা লৈরিবা ওইবনা মিশন অসি য়াম্না খোঙজেল থুনা পাঙথোকপা মথৌ তাই। রেস্কু্য টিমশিং অদুনা মখোয়গী থবক অদু অঙম্বা চাংদা অমদি মথৌ তারিবমখৈ লেপ্তুনা চথুগনি।

য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংনসু লোজিষ্টিকেল ইনফোর্মেসন, সাইস্মিক এক্সপর্টিস অমসুং ইক্বিপ-মেন্টগা লোয়ননা মতেং ওফর তৌবা লৈখ্রবনি। শাথিরবা য়ুহাশিং অদুনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুগী মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লূচিংবশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোননা হায়খি, মদুদি ফ্রান্সনা গ্রাউন্দদা লৈরিবা মীয়ামদা ইমজে ন্সি মতেং পীননবা শেম শাদুনা লৈ। ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর জে ার্জিয়া মেলোনিনা হায়খি, মদুদি টর্কি অমসুং সিরিয়াগী ফিভম মহাক্না নীংথিনা মোনিটর তৌরি। য়ুহাশিং অদুনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক্তা মহাক্না লেপ্লি। জমর্নিনা শাথিরবা য়ুহাশিং অদুগী ভিক্তিমশিংগীদমক্তা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না লৈবাক অসিগী চাণ্সেল্লর ওলাব সোলসনা ফোঙদোকখি।

য়ুহা অদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা মফমশিংগা খ্বাইদগী নক্লবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর ষ্টেট ওইরিবা গ্রিসকী প্রাইম মিনিষ্টর কিরিয়াকোস মিসোটাকিসনা অকায় অতোইশিং অমদি মীশি মীনাগী শিনশিংনা মহাক্কী থম্মোয় কায়হল্লে। য়ুহা অদুনা থোকহল্লকপা য়ারিবা সুনামিদগী ঙাকথোক্লবগী চেকশিন থৌরাংগী ইটালি অমসুং গ্রিস অনীমক্ন া মতম খরগী ওইনা সমুদ্র মপানগী এরিয়া খরা থিংজিনখ্রবনি।

## য়ুম মৈ চাকপদা মমা, অঙাং তরেৎ শিরে

পেরিস, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী অৱাং থংবা এস্নে দিপার্টমেন টতা য়ুম অমা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা নুপী অমা অমসুং মহাক্কী চহী অনীদগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মচা তরেৎ শিখ্রে হায়না লোকেল প্রিফেকচরনা প্রেস রিলিজ অমগী খুথাংদা কনফার্ম তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা চর্লি-সুর-মার্ন সিটিদা লৈবা মথোল অনীগী য়ুম মৈ চাকখি।

ফায়র ফাইটর অমনা মশা কা হেন্না মৈ চাক্লবা নুপা অমা রেস্কু্য তৌখি অমসুং মহাকপু খুদক্তা অনকপা হোস্পিটাল অমা পুখৎখি। মীওই অদুগী ফিভম হৌজিক থোইদোক্ল া নুংশা থীনিংঙাই ওইদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

রেস্কু্য টিমশিংনা চহী ৪০ হেল্লবা নুপী অমা অমসুং মহাক্কী মচা তরেৎ য়াওনা অশিবা হক্চাং নিপান থেংনখি হায়রি।

# ক্রাইম হেনগৎলকপদগী সেন্ট্রেল ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ুগী অথিংবা অমুক হন্না চৎনহনখ্রে

কানবেরা, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

হৌখিবা মতম খরা অসিদা ক্রাইম তোইশিল্লকখিবনা মরম ওইদুনা সেন্ট্রেল ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্দিজিনস কম্ম্যুনিটিশিংগা মরী লৈননা য়ুগী অথিংবশিং অমুক হন্না চৎনহল্লগনি হায়রি।




এলিস স্প্রিংসকা নক্লবা ইন্দিজিনস কম্ম্যুনিটিশিং অমসুং টাউন কেম্পশিংগা মরী লৈননা ড্রাই জোনশিং অমুক লৈহল্লগনি হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর এন্থোনি অলবানিস অমসুং নোর্দন টেরিটরি (এন টি টি) গী চীফ মিনিষ্টর নটাসা ফিলিসনা কনফার্ম তৌখ্রে।

কুমজা ২০২২ গী জুলাইদা এন টিদা চৎনরকখিবা য়ুগী অথিংবশিং লৌথোকখিবা মতুং থা ১২ য়ৌদবা মতমগী মনুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। চহী ১৫ গী মনুংদা অহানবা ওইনা মফম খরদা কুমজা ২০২২ গী জুলাইদগী য়ু শীজিন্নবা লোনা য়াহনখি।

য়ু শীজিন্নবা লোনা য়াহনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা এলিস স্প্রিংসতা য়ুনা থোকহনবা ভাইওলেন্স হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইনা মীৎয়েং চঙবগী তঙাই ফদবা লাকখি। ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্স (এ টি এফ) কী মেয়র মার্ক পেট্রিসন্না ভাইওলেন্স লাকশিনবদা মরী লৈনবা খুদিংমক্না মতেং পাঙনবা আপিল তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অলবানিসনা জনুৱারীগী অথেংবা শরুক্তা লমদম অদুদা খোঙচৎ অমা চৎখি অমসুং রিভিয়ু অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা য়ুগী অথিংবশিং অমুক লৈহন্নবা রিকমেন্দ তৌখি।

এনটিগী পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কদৌরিবা অনৌবা লেজিসলেসনগী মখাদা করিগুম্বা রেসিদেন্ট চাদা ৬০ না ৱারেপ অদু শৌগৎপা তারবদি কম্ম্যুনিটিশিংনা অমুক হন্না য়ুগী অথিংবশিং থমগদৌরিবদু চৎনহন্দবসু য়াগনি। তৌইগুম্বসুং অথিংবশিং অদু চৎনহল্লোই হায়রবদি কম্ম্যুনিটিশিং অদু য়ু মেনেজমেন্টগী প্লান্ট অমদি লৈগদবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলদুনা অলবানিসনা অলিস স্প্রিংসকী ফিভম য়ু খক্তগী ৱাফম নত্তে হায়রদুনা লমদম অদুগী তুংগী ফিভম ফগৎহন্নবা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ২৫০ গী ফন্দিং লাউথোকখি।

# পেরুদা মদস্লাইদ থোক্তুনা মীওই নিপান শিরে

লিমা, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

পেরুগী কমানা প্রোভিন্সকী মফম খরদা মদস্লাইদশিং থোরকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে অমসুং অতৈমীওই মঙা থীবা খঙখিদ্রে হায়না নেসনেল ইমর্জেন্সি ওপরেসন সেন্টর (সি ও ই এন) না ফোঙদোরক্লি।

সি ও ই এনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা নোং কন্না চুখিবদগী মফম কয়াদা মদস্লাইদশিং থোক্তুনা পম্পেলিমা, বেনাদো বে ওরোল, ইনফ্যরনিলো, সেন মার্টিন, মিস্কি অমসুং সেকোচা য়াওনা কম্ম্যুনিটি কয়াদা শোকহনখি।

মফমশিং অসি মারিয়ানো নিকোলাস, বলকাসেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মফমশিংনি। মাইনিং কম্ম্যুনিটিশিং ওইরিবা মিস্কি অমসুং সেন মার্টিনদা খঙহৌদনা লেন স্লাইদশিং থোক্লক্তুনা মাইন ৱার্কর কয়া ফুমজিনখি। মফম অদুগী টনেলশিংদা থবক তৌরিঙৈদা লেনস্লাইদশিং অদু থোরকখিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF YOUTH AFFAIRS & SPORTS
KHUMAN LAMPAK, IMPHAL

No. 10/16/2014-YAS(Pt.I) Date: 6/02/2023

NOTICE INVITING TENDER

Sealed tender (**two bid system**) is invited by Directorate of Youth Affairs & Sports, Khuman Lampak, Imphal from reputed Manufacturers or Authorized distributors/suppliers for supply of **sports equipments & kits** for **Fencing, Canoeing & Kayaking, Cycling, Wushu, Taekwondo, Swimming, Shooting, Judo etc** with minimum annual turnover of **Rs. 50.00 lakhs (Rupees Fifty Lakhs)** during the last three preceding years for Sports Equipment (including exports) duly certified by CA and preferably having minimum three years of experience in supplying sports Equipment to the Govt. Department or PS Undertaking for award of contract for supply of sports equipment to the Directorate of Youth Affairs & Sports, Khuman Lampak, Imphal. The interested/intending parties may give their competitive rate (inclusive of all taxes like Excise, CST, VAT/Sale Tax/ Freight Charge etc; for Directorate of Youth Affairs & Sports, Govt of Manipur, Khuman Lampak, Imphal) and other relevant documents/ information in the prescribed Tender Form.

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Tender Cost ( Demand Draft) | Rs. 1,000/- |
| 2. | Start Date of Sale of Tender Documents | 8/02/2023 |
| 3. | Last Date of Sale of Tender Documents | 13/02/2023 |
| 4. | Last Date of Submission of Tender Documents | 16/02/2023 |
| 5. | * Date of opening of Tender Documents | 17/02/2023 |
| 6. | Total estimated value of Sports Equipments and kits (Inclusive of Taxes). | Rs. 60,00,000/- |
| 7. | EMD/ Bid security money through Demand Draft in favour of Director, Youth Affairs & Sports, Govt of Manipur. | Rs. 1,00,000/- |
| | Website | www.yasmanipur.gov.in |

The tender documents may be obtained from the office of the Directorate of Youth Affairs & Sports, Khuman Lampak Imphal - 795010.

* Tender bids will be open on **17/02/2023 at 1.00 p.m** at the office of the Director, Directorate of Youth Affairs and Sports, Khuman Lampak, Imphal.

Sd/-
Director,
Youth Affairs & Sports
Khuman Lampak, Imphal, Manipur.

HL-B/8011/8

# 'মোস্ক এটেক অফঘানিষ্টানদা লৌতুনরগা চথুখিবনি'

পেসৱার, ফেব্রুৱারী ৭ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী ইরাং কল্লবা খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সকী কেপিটেল পেসৱারদা লৈবা মতম চুপ্পদা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলিবা মোস্ক অমদা টার্গেট তৌখিবা শাথিরবা বোমগী এটেক অদু অফঘানিষ্টানদা পোরম য়াৎল্লগা চথুখিবনি অমসুং মদু মখোয়গী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিনা ফন্দিং তৌখিবনি হায়না সুইসাইদ এটেক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা পাকিষ্টানগী লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জনুৱারী ৩০ দা পেসৱারগী মোস্ক অমদা নুংথিলগী মতমদা লাইশোন পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা টালিবান সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হন্দুনা চথুখিবা শাথিরবা এটেক অমদা মীওই ১০১ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ২০০ গী মথক্তা অশোক অপন নঙখিবনি। বোম্মর অদু পুলিস য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা পুলিস পর্সনেল অমা ওইনা উহন্দুনা হাই-সেক্যুরিটি জোন অদুদা লিৎশিনখি। মহাক মোটোর সাইকল অমা তোংখি অমসুং মকোক্তা হেলমেট উপখি অমদি মাস্ক উপখি হায়না মমাঙদা পুলিসকী টোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পেসৱারগী মোস্কতা চথুখিবা সুইসাইদ এটেক্কী লৌতুনবা অদু অফঘানিষ্টানদা চথুখিবনি অমসুং কাবুলদা বেজ তৌবা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিনা ফন্দিং তৌখিবনি হায়না ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসলশিংনা হায়রি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ব্লাষ্ট অদুদা শীজিন্নখিবা মোটোর সাইকল অদু পেসৱারগী মী চিল্লবা মার্কেট সর্কিগেটতা অনীরক য়োনখি। মোটোর সাইকল অদুগী সেল্লরশিংসু ফারে।